# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ তুকমা

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনস্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ





**ময়াম্না** থোইদোক্লা মশক খঙবিদ্রবা অমদি থৌশান্নদ্রবা অদুবু হীদাক্কী মগুনদি থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা পাম্বীশিংগী মনুংদা তুকমা অসিসু অমনি। তুকমা পাম্বী অসি ইংলিসতা পীগনত (Pignut) নৎত্রগা অমেরিকান মিন্ট (American mint) নৎত্রগা বুশ মিন্ট (Bush mint) নৎত্রগা চান (Chan) নৎত্রগা হোরহোন্দ (Horehound) নৎত্রগা হিপতিস (Hyptis) নৎত্রগা ষ্টিঙ্কিং রোগর (Stinking Roger) নৎত্রগা ৱাইল্ড স্পাইকনার্ড (Wild spikenard), হিন্দিদা বিলাইতি তুলসি (Bilaiti tulsi), বেঙ্গোলিদা বিলাতি তুলাশি (Bilati tulasi), নৎত্রগা বিলাতি তুলাস (Bilati tulas), মরাথিদা ভুসত্রেনা (Bhustrena) নৎত্রগা ডার্প তুলাস (Darp tulas) নৎত্রগা জঙ্গলী তুলাস (Jungli tulas), ওরিয়াদা গঙ্গা তুলাসি (Ganga tulasi), তেলেগুদা সির্না তুলাসি Sirna tulasi), সংস্কৃটতা ভুসত্রেনা (Bhustrena), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *হীপতিস সৌভিওলেন্স (Hyptis suaveolens (Linn.) Poit)* নৎত্রগা *বেলোতা সৌভিওলেন্স (Ballota suaveolens Linn.)* হায়না কৌই অমসুং *লেমিয়েসী (Lamiaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

তুকমা পাম্বী অসি মিটর ১ দগী ১৫ ফাওবা মশা মরেং য়াম্না লোঙবা মতু য়াম্না চোন্বা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মখোক অমসুং মশা অদু মশুং মরি নাই (Ouadrangular) লোয়নননা শংব্রে মনা মানবা মনা ময়াম অমা পাল্লি। পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক মনম চেল্লি লোয়নননা থাউ মখল অমা য়াওই। হায়রিবা থাউ অসিদা য়াওবা খ্বাইদগী মরুওইবা মচল অনীদি :- 1, 8 - cineols চাদা ৩২ অদুগা β-Caryophyllene চাদা ২৯ অসিনি। হায়রিবা অসিগী মথক্তা Sabinene চাদা ২৯, Terpinolene চাদা ১১.৯, β-pinene চাদা ৯.৮, Limonene চাদা ৬ অমসুং 4-terpineol চাদা ৫.৫ অসিসু য়াওবগী পাউদমশিং লৈ।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না তুকমা পাম্বী অসি মেক্সিকো, নোংচুপ অমসুং ময়ায় থংবা ইন্দিজগী লমদমশিং অমসুং খা থংবা অমেরিকাদগী হৌরকখিবনি। অদুবু ঙসিদি পাম্বী অসি আফ্রিকা, এসিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী শারপ তৌবা মফমশিংদা শন্দোকখিদুনা মহৌশাগী মওংদা হৌখ্রে।

তুকমা পাম্বী অসি নোং তাগনবা অশাবা মফমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌই অদুম ওইনমক অশাবা অমদি অকঙবা মফমশিংদসু অদুমক ফজনা হৌবা ঙম্মী। পাম্বী অসি হাজোংবা হায়বদি ৱীদ অমা ওইনা শোরোক্কী মপান, শঙ্গাবুংগী অকোয়বা, এঙ্গাং-নাপী থাবা ইঙ্খোলগী মপান, তুরেলগী তোর্ব্বান, ঈশিং তোয়না থুমগনবা মফমশিং অমসুং উ-ৱা ইহৌ হৌদ্রবা চীংখোঙ-চীংয়াশিংদা য়াম্না তোয়না হৌবা থেংনৈ।

তুকমা পাম্বী অসি মীওইবদা থোইদোক্লা কান্নবা পী। পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক Bio-compost হায়বদি হার শেম্বদা য়াম্না খুদোং চাই। মালেমগী মফম খরদদি তুকমাগী মরু অসি ঈশিংদা ফজনা তীংদুনা লৌবা মহী অদু রেফ্রিজরেটরদা ঈংহল্লবা মতুংদা হকচাং তেকখৎনবা মহী (Refreshing drink) অমা ওইনা থক্লে। তুকমা পাম্বী অসিদা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং শীংথানিংঙাই ওইনা য়াওই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি তুকমা পাম্বীগী মরু অদু ঈশিংদা পুং ২-৩ তীংলবা মতুংদা ওইরকপা চাক্কুম্বা (Cooked rice) পোৎশক অদুনা বেন্দেজ ওইনা থোম্বদা অশোক অপন তৌবা নৎত্রগা পোৎশক অমা (তিংখঙ, নুংশেল মচেৎ, য়োৎতেক) তোংশা মনুংদা লৈখিবদু মপান থোরকহনবা ঙম্মী।

মসিনা নাই থুনা চাহন্দুনা অপোম-অতং অদু থুনা ফহনবা ঙম্মী। তুকমা পাম্বীগী মশা অয়াম্বদা য়াওরিবা মনম চেনবা থাউ অসি উনশাগী মখল মখা কয়াগী লায়নাশিং লায়েংবা য়াই। পাউদম অমগী মতুংইন্না তুকমাগী অনৌবা মনা অদু ঈশিংদা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথকপদা খোঙ হামথবগী লায়না অসি লায়েংবা ঙম্মী। বিজ্ঞানগী পাউদম অমগী মতুংইন্না তুকমা পাম্বীদা কেন্সর মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই লোয়নননা চাকখাউ চাথৎপা অমদি অরুম-লাইহৌ তৌবদসু থোইদোক্লা কান্নহল্লি। কনাগুম্বা মীওই অমা চাকখাউ চাথৎলবদি তুকমাগী মরু অদু অহিং অমা ঈশিংদা তীংদুনা লৌবা মহী অদু নোংমদা গ্লাস ১ গী চাংদা থা ১ রোম পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। তুকমাগী মরা ঈশিংদা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথকপদা পুক শৌগৎপা অদু ফহনবা ঙম্মী। পাউদম অমগী মতুং ইন্না তুকমা পাম্বীগী অনৌবা মনা ঈশিংদা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদুনা চামথোকপদা নুপীগী ঈশিংথোং হাক্চবা অমদি পোমখৎপদা কান্নবা ফল ফংই। নুপীগী খোমগী উনশা অদু চেখায়দুনা হাক্চবদসু হায়রিবা মহী অসি তৈদুনা লায়েংবা য়াই। তুকমাগী মনা অসি জোন্দিস লায়েংবদসু মায় পাক্লা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ।

## এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ...

### মতমগী চোইরোল

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***মণিপুর*** হীরম খুদিংদা চাওখৎপা, তংদু লৈতাবা, শান্তি ওইনা পূন্না খুন্দা লৈতামিন্নবা ইরমদম ওইবা পাম্মী। অসিগুম্বা ইরমদম অমা ওইহনগে খল্লবদি লৈঙাক পুগদৌরিবা মীওইশিং অমসুং লুচিং পুরেল মশক খঙবা মথৌ তাই। করিগুম্বা মশক খঙদবা, ওইজবা তানবা, চিনগা-খূৎকা মান্নদবা মতিং লৈতবা মীওইদা শক্তি শিন্নখ্রবদি হেন্না খুদোংথিবা ওইরক্কনি।

মালেমদা চৎনরিবা দেমোক্রেটিক ইলেক্সন ইরমদম অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পুথোক্লিবা মীহুৎ ওইগদৌরিবা মীওইশিং মশক মুন্না খঙবা মীওইবু মীহুৎ ওইনা খল্লগা ইশা ইশাগী হক শিন্নবা তাই। নৎত্রবদি ৱাদুনতা লৈরবা ঐখোয়গী ইরমদম অসি ঈয়াইদা তাওবা কোঙ্গোলগুম মাঙখিবা য়াই। মীরেপ ওইখ্রবা, নৌনা ওইরক্লিবা মীওইশিংগী ৱাখল, লৌশিং, হৈশিংবা পার্টিগী চৎন-কাঙলোন অমদি চৎন-লিচৎনচিংবগী মরমদা শুগায়না খন্না নৈনরগা মীয়ামগী ভোটিং রাইট অদু শিন্নবিয়ু। পার্টি ওন্থোক ওনশিন তৌবা, পার্টি হোংদ্রগসু মথৌ মঙম নিংথিনা তৌদবা, মশাগী ওইজবতা তানবা, শেঞ্জাও পায়রগা মীবু মমল নাইদনা লৈগনি খল্লিবা, লৈবাক মীয়ামগী করি তৌগদগে খঙদবা, ঐখোয়গী মীহুৎ ওইগদৌরিবা মখোয়না পুথোরক্লিবা মীরেপ অদু লেজিসলেটিব, জুদিসিয়ারিগী লৌশিং কয়াম লৈরে খঙবা তাই। মখোয়শিং অদু লৈবাক মীয়ামগী থৌদাংদা কয়া য়াম্না কৎথোকপগী থৌদাং লৌখ্রে, লেজিসলেটিব অমসুং জুদিসিয়ারিগী লৌশিং কয়াম লৈরে হায়বা মুন্না থিজিনগদবনি । মীওইশিং অদু হান্না মীহুৎ ওইখ্রবা, ওইরগনা লৈবাক মীয়ামগী করি করি থবক পাঙথোকখ্রবগে, নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী মরমদা লৌশিং কয়াম লৈরবগে, লৈঙাকলোনগী থৌদাং ঙমখ্রবরা খঙদোকপা মথৌ তাই। অনৌবসু চপ মান্নে।

ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোন্দি কেন্দ্র অমসুং ষ্টেটকা থোং মান্নদবা য়াদে লোয়নননা মপূং ফাবা দিবেটিং তৌবা ঙম্বগী গুন লৈরবরা খঙবা তঙাইফদে। মীরেপ ওইগদৌরিবা অদুগী তোঙানবা মগুন, থম্মোয় শেংবা, মীয়ামগী থৌগল তৌবা, লমচৎ-শাজৎ কামদবা, খন্না নৈনবদা বুদ্ধি লৌশিং পুথোকপা ঙম্বা, মী মচং খলহৌসি। হৌজিক ঐখোয়গী মাঙদা ১১ শুবা মণিপুর বিধান সভা মীখল তৌগদবগী ঙাইদুনা লৈরে। মশীং লাকঙমদ্রবা মীওই কয়ানা মখোয় মখোয়গী পার্টি টিকেট তান্নরি। ঐখোয় পূম্নমক য়াম্না মুন্না খন্থবগী তাঞ্জা অদু মাংদা তাদুনা লৈরবনি। পার্টিদগী মীরেপ ওইবা ফংদবশিংসু শোয়দনা অতোপ্পা পার্টিদা চঙদুনা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরক্লোই হায়বা ঙমদে।

শেঞ্জা থুমজা মুত্থৎসি, অফবা লৈঙাক পুরকসি, চাওখৎ লম্বী য়াৎসি, চাওখৎ থৌরাং মাংজিল থাসি, অচান মীরাই থমগুমসি, মান্নবা খুন্নাই শেমসি খল্লবদি মীহুৎ খনবা মতমদা মচং ওইবা মীওই থাগৎতুনা তুংগী ফিরেপ শেমহৌসি। লুপা ৫০০ চৎপী, লুপা ২০০০ চৎপী, য়ু, ক্বা, চাক চাক্লুক চারুবদগী শেন্দোংনা লুপা লাক্ষ, ক্রোর ওইখিনি, লৈবাক্কী লন থুম পূম্নমক মখোয়গী লোইনা ওইখিনি। মরম অসিনা মতম লৈরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা ঙকচাও থেকপা, শেঞ্জাও পায়বা লৈবাক্কী থৌগল তৌরোইদবা মীওইদা ভোট পীগুমসি, লৈবাক্কী থৌগল তৌগদবদা মীহুৎ খনবা কাউবীরগনু, মীচম মীয়াম ঐখোয়না লমন খুমহৌসি মতাং চারিঙৈদো।

লৈঙাক্কী থৌমীশিং থবক্তগী পোত্থাবগী চহী অসি ৬০ দগীনা ৬৫ ফাওবা ওইরি অদুগা চহী ৬০ শুরবা মীবু সেনিয়র সিটিজেন হায়না খঙনরে। লৈঙাক্কী থৌমীশিংগীদি অকক্নবা চহী লেপথোক্তুনা থবক্তগী পোত্থাহল্লি। পোলিটিক্স তৌবগীদি অকক্নবা চহী ১৮ দগী হৌরগা অরোইবগীদি মশা হেক শিদ্রিফাওবা তৌবা য়াহল্লি।


ভোট লেপ্পগী মশীংসু অকক্নবা থমদে, লাইফ টাইম ওইনা চৎনরি। মসিগী কাঙলোন অসি ইলেক্সনগী বাই লোদা য়াওদ্রবসু মীয়াম খঙনা চহী অকক্নবা অমা লেপথোক্লগা ভোট পীরবদি মতম খরগী মতুংদা চৎনরকপা য়াই। ভোৎতা হঞ্জিন হঞ্জিন লেপ্তুনা মায় পাকখ্রগা চাওখৎ থৌরাংদি তৌরমদবা কাঙবু অসিসু মীয়াম্না খঙবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা অহোংবা অসি মীয়াম্না অমসুং অখঙ অহে কয়ানা তাকপীদুনা য়ং জেনরেসনশিং শেমগৎতুনা মতিক চারবা লাইরিক-লাইশু নিংথিনা খঙ-হৈরবা মীওইশিংদা লৈঙাক শিন্নবগী তাঞ্জা ফংলিঙৈদো কূপ্পা নৈনদুনা অওনবা অমা পুরক্নবা হোৎনবগী মতাং য়ৌরক্লে হায়বসি মীয়াম্না কাউবীগনু।

হৌজিক্কী চাওখৎ লমজেল তান্নবা মতম অসিদা অখঙ অহৈনা থল্লবা মতম ওইরবনি। মমাঙঙৈগী ৱাখল তাদবগী মতম হেনখ্রে। ৱাখল তাদবা কাঙবুশিং অখঙবশিংনা তম্বীবা মথৌ তারে। অঙাং মচাশিং মমা মপা অমসুং ওজাশিংনা তম্বীরগা ৱাখল লাক্লিবনি। মরম অসিনা পাড়া নাইনা তম্বীদুনা ইশাগী ভোটর রাইট খঙহনবা মতম ওইরে। ফত্তবা মীবু ফনবা পাউতাক পীবা য়াই অদুবু মীচম মীয়ামগী মীহুৎ ওইখ্রগা পাউতাক পীবদি ওইথোক্লোই।

ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা মীচমশিং লায়র-ইনাকখুনবা ময়েক লানা উরক্লি, ফুরুপ মশেলশিং থাজনদবা হেনগৎলক্লিবা অসিগী ৱারোইশিন পুথোকপা ঙমদ্রি। মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা, মীওৎ মীনৈ, মীহাৎ মীপুন, চীংমী তম্মী খল মান্নরক্তবা, ইন্নর লাইন পার্মিটকী ৱাথোক, মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব ওলহনবা, লোইবা নাইদ্রবা প্রোজেক্টশিং, ইরমদম অসিগী লৈঙাক্তা মীয়ামগী খন্দবা পোলিটিকেল খূৎপুনা পীবা চৈথেং, ফ্রি এন্দ ফ্যের ওইদবা, শেঞ্জা থুমজা, ময়ায় কাবা চিঙ্গাক্তা লাইচুরবা মীওইশিংনা ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকপা, মানা মানা তৌনিং তৌনিংবদা তৌনরকপা অসিনদি চাওখৎপা পুরকপা ঙম্লোই। ঐখোয় মীয়াম্না মুন্না খন্থবিয়ু। পৈশানা, ময়ায় কাবা চিঙ্গাক্লা, চাক্লা, ক্বা মতপ অমনা পেম্থোক্তুনা তুংদা থোক্লক্কদবা মাঙজবা পূম্নমক কুপ্পা খন্না নৈনরগা ইশা ইশাগী অধিকার চহী মঙা চৎনগদবা লৈঙাক্কী মীহুৎ খনবগী তাঞ্জা অসিদা অচংবা মীওই খনবদা ঐখোয় পূন্না থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদ্রে। ফৎত্রে হায়না হান্না খঙলবা অমসুং অনৌবা ফরোইদবা মীওইশিংদা মীনুংশি চাওদুনা ইশাগী হক য়োন্দুনা চৎনবী ওইহল্লরোইসি। ইশানা থাকপা লাংদা থুররোইসি নৎত্রবদি মৈরানবী কৌবা তীল অদুনা মৈদা চোঙশিন্দুনা শিবগা মান্নগনি হায়না ১১ শুবা বিধান সভাগী মীহুৎ খনবগী নৈনরোল ওইনা পাউজেঞ্জরি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োলাল লৈরক ইম্ফাল*

### মরোল থোকপা লাই




## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা
: বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### লৌনম্বু লৌনম্বা ঙম্বা

ব্রহ্মণ মচা লৌশিংবা মহে-মশীন চঙখোল্লে;
গুরুগুম্না মহাকসু তেনকাপ-লৌশিং লৈরক্লে।
মসিদবু গুরুনা পেল্লদুনা মঙোন্দা,
মচানুপী থাজখি, লাকখি অনী কাশীদা।
“উমং অসি লানগনু শামু লমশা লৈবনি।”
খাল্লকখিদো ময়াম্না ‘খুদোংথীবা ফংগনি।’
নাচুংববু লৈতনা মখোয় অনী চঙশিনখি,
শামু লমশা থোক্লকপা তেনকাপ ’মদা লোইশিনখি।
মথং উমং য়ৌরক্লে হুরানবনা থল্লবা;
হুরান’ য়াঙ্খ্রে লৈরম্মী নীংহন্নদে অকনবা;
তেনবু ’মনম্ থাদুনা হাত্তোকখরে লোইনবা।
লুচিংবতা ঙায়হৌরে ফরে মাবু নম্নবু;
“থাঙলেন শৎলু খ্বাঙদগী শোইগে মঙক তোংদম্বু”
হায়রকপদা লমশাদো লুচিংবদু পাম্মুরে;
থাঙলেন শৎল’ মতোন্না ব্রাহ্মন্দবু পীরুরে।
লুচিংবনা থাঙখোক পায় ব্রহ্মণ’ মঙক শোইখরে;
মৱা লৈত্র’ ব্রাহ্মনী লুচিং’ মতুং ইনখরে।
চৎনা চৎনা লুচিংবা খনখি ৱাখল অমবু,
“মৱা লৈবী নুপীনা হাত্তোকহল্ল’ মৱাবু,
ঐগী ইতুং ইল্লক্লে থাজনীংঙাই করিনো!
ওক্ত লমচৎনবীসে মাবু ঐগী কনানো!”
থাদোক্লমগে খন্দুনা মথং মথং লাকপনা,
তুরেল অমা থেংনর’ হায়খি নুপা অদুনা,
“গুম্ভীর অমা লৈ’সিদা ঐখোয় অনী চাখ্রনি;
নরীক-নকোন লান্থোক্লু’ তুংদা নঙবু লৌরনি।”
নুপীদুনা লীক-কোন্দো লৌথোক্লগা পীখরে।
ঈরোইদুনা নুপাদো ঈচেল ৱাংমা লানখরে।
নুপা ’দুনা লাউরম্মী, “ঐহাক চৎলে লৈহৌরো;
ওক্ত-লমচৎনরবী! নুপা অমা থিহৌরো।”
তোর্ব্বান ৱাংমা অদুদা নুপী মদোম ঙায়হৌরে;
তীন্থোক য়াংদৌ চোংবগুম লৈমায় থক্তা চোংহৌরে
সাকা লাইবু শাইওনবা বোধিসত্ব লৌশিংবা,
থৌদোক পূম্বা উহৌই অকি-চুজুং’ থল্লবা।
নুপীদুবু ইকায়বা পীগে হায়না থুংলরে;
মাতালিগা লোয়নননা পঞ্চসিখা য়াওরক্লে।
মাতালিনা ঙাবু-ওন ঈচেলদুদা মোংঙুরে;
পঞ্চসিখা উচেক-ওন লৈনা-কোয়না পাইরুরে।
সাকা লাইনা লমহুয় ওন শদুম চীক্লা মচীন্দা,
লাক্লে মখোয় অহুমদো নুপীদুগী মনাক্তা।
মাতালিনা ওনবা ঙানা থক্তা চোংখৎলকপদা,
শদুম থল্ল’ লমহুয়না ঙাবু লাক্কে তৌরিঙৈ,
পঞ্চসিখা উচেক্লা শদুম লাক্ল’ পাইখ্রিঙৈ,
ঙাদু অমুক ঈশিংদা ‘জম’ বু লাউনা চোংথখ্রে
ঙাসু ফাদ শাসু ফংদ লমহুয় কহামাঙ তাখরে।
মতৌ অসি উবদা হৌনা নোকখি নুপীদো;
নুপী’ মীনোক তাবদা লৌশিংলবা লমহুয়দো,
হায়খিরম্মী অসুম্না, - “করিগীনো নোক্লিবা?
নুপা অনী মাঙলগা করি’ নঙনা ফংলিবা?”
ইকায়বনা শিখরে নুপী ৱাদু তাবদা,
খুমখি, “মতুং তৌররোই অতোপ’ অমা ফংবদা।”
পাউখুম্লকখি লমহুয়না, - “চফু হুরাল্লুরবা,
শেঞ্জেং পাত্র হুরান্নি তাঞ্জানবু ফংলবা;
নৱা হাৎপা ঙম্বনি, তৌনি হেন্না ফত্তবা।”